# মহাভারতকী 'গান্ধারী' নীংশিংলুবদা...

কুইখিদ্রি য়াওশঙ মনুংদা ওইরমাল্লে, ঐগী ইচানুপা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন এগজামিনেসনগীদমক শেম শারিবদুনা নুমিদাংগী চাক চামিন্নরিঙৈদা মহাভারত কৌবা ইপিক্তুগী মরমদা ৱাহং খরা হংলকই। ৱাহং-পাউখুম পীনবগী মওংদা ইচম চম্না শৎ হেক্তা খুন্না য়াদবা ৱাহংনি। খঙনীংলিবদু মমুৎ তানা খঙহন্দ্রবদি পাউখুম অদু পীরুবইসু কান্নদে। 'মহাভারত' - ৱারীসিদা য়াওরিবা ক্যারেক্টরশিংগী হৌরকফম ৱারী খঙদনা - 'কুরুক্ষেত্র-লাঞ্জাও' থোকখ্রিবগী মরম খঙবসু ওইথোক্তে। মমা তিন্নদবা মচিন-মনাও অনী য়েংথিনবদই থোকখিবনি হায়বা পাউখুমদুখক্না মরম চাদে। ধৃতরাষ্ট্র অমসুং গান্ধারীনা পোকপা মচিন মনাও চামগা পান্দু অমসুং মাগী নুপী অনী (কুন্তি অমসুং মাদ্রি) না পোকপা মচিন-মনাও মঙাগা, কাঙলূপ অনীখক নুংশিনদবা/য়েংথিনবগী ওইরবদি মখোয় মশেন হাত্তোক্নরগা অঙম্বা কাঙবু অদুনা নিংথৌ ওইরগা, ৱাখৈবা য়াবা ৱাথোক্তু, চাওখ্রবা লান্মী তেঙ্গোল শেমগত্তুনা লাম্হেংনহল্লিবা, মতমদুগী ভারতবর্ষগী অপূনবা নুপা মশীংগী চাদা মরিফু শিহনখ্রিবদু করিগীনো? ৱাহংগী মথক্তা ৱাহংনি। ৱাহংদুগী পাউখুম থিবা অমম্বা শুরুং অমদা চঙলুবগা পাংখক ওইগনি - ইপিকসিদা য়াওরিবা ক্যারেক্টর ২৭৩৬ সিগী মরুমদা লোৎলিবা ৱারী-অচৌবা (উপন্যাস) অমমমগুম্বা ৱারীশিংসি খঙদ্রবা।

অদুবু, ঙসিগী মীরোল অসিদা অদুক চাওখ্রবা মহাকাব্য অদুগী মনুং-হুৎপা নৈন-ৱারোল অমদি অকূপ্পা ৱারী কনানবু পারমগনি! লাইরিক ওইনা মরাং কায়না ফংবসু নত্তে, ফংলবসু পাক্না শন্না পানবসু ওইররোই। করি ৱাখলদগীনো ইচানুপানা খঙনীংলক্লিবা ... মখা তানা হংলুদ্রে। ঐনা খঙবা খরা, মঙোন্দা স্যের তৌখিবদু নীংশিংলুরগা, ৱাফম খরা মীয়ামদা তম্লিংবা ফাওরত্তুনা ৱারেং অসি ইথোকচরিবনি। 'মহাভারত' তা য়াওরিবা 'কুরুক্ষেত্র' গী লানফম অসি মওং কয়া নৈনবা য়াই - মীওইবগী পূক্নিং মনুংদা মতম চূপ্পদা লেপ্তুনা থেংনরিবা, অচুম-অরান মূক্নবগী লান... করিসু লৈতবা, ইচম চম্না তাইশিন্নরম্বা য়াবা ৱাথোক অমা, চেকশিনহৌদবা থওইরুন্দবদগী লান্না লৌনখিদুনা উংখৎনরকপা... ঐগী মাগী মীচং কোম্নরত্তুনা য়েংথীনবা হেল্লকপা... ঙসিগী তাইবঙসিদসু থেংনরিবা প্রোব্লেমনি।

য়াম্না ইন্টরেষ্টিং ওইবা, অয়াম্বা মীশিংনদি থোইনা লুনা খন্থরুন্দবা ৱাফম অমনি- ইচানুপাদা ঐনা লীখিবা। ঐগী মরুপ-মপাং খরদা স্যের তৌরুবদা, মহাভারতকী ৱারী তাবদগী নৎত্রগা টি ভি সিরিএল য়েংলুবদগী মখোয়না খঙলম্বা ইনফোর্মেসনদু মনুং হুৎপা ইনফোর্মেসন ওইরমদবা... খঙবগী তঙাইফন্দবদি লৈরম্বা, খঙনীংনসু তাখিবা, মখোয়না তারমদবা ৱারীদু ঐগী কোল্লম অসিদা ইথোক্লবদি, অখঙবনা খঙল'সু, তারম'-খঙলমদবা খরদদি নুংঙাইবা মথেল অমা ওইগদ্রা খন্না ইথোকচরিবনি।

ৱারীদুদি অতৈ নত্তে, মহাভারতকী মীফত্তনি লৌনরিবা 'দুর্যোধন' গী মমা ইবেন্মা গান্ধা (কন্দ-হার) লৈপাক্কী রাজকুমারী 'গান্ধারী' না মপা ইবুংঙো 'ধৃটরাষ্ট্র' দা লুহোংলকখিবগী ৱারীদুনি। অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখিবরা - তুংদা থোক্লক্কদবা 'কুরুক্ষেত্র' লানজাওদুগী হৌরকফমদি - গান্ধারীনা মীত্তাংবা নিংথৌ 'ধৃটরাষ্ট্র' দা লুহোংলকখিবা অমদি মদুগী মতুং তারকপা য়াম্নমক মরু ওইখ্রবা ৱারী লীবা অমসুং 'মহাভারত' লাইরিকসি নৌনা ইথোরকপা অইবশিংনা শন্দোক্না তাক্লমদবা তাংকক অদুনি। শাংলবা ৱারীনি ৱাহৈ মঙা-তরা'দা তেনশিন্না লীজরিবা। মমা পূক্নুংদগী মমীৎ তাঙনা পোক্লকখিবা 'ধৃটরাষ্ট্র' গী পুন্সি-খোঙলোয় ওইহন্নবা হায়জ-ৱারোল পুরদুনা চৎখি 'ভীস্ম-পিতামা'-গান্ধার-নিংথৌ 'সুবালা' গী কোনুংদা, মহাক্কী মমোম শকহেনবী, মতৌ লৈবী, ধর্ম্ম চেনবী 'গান্ধারী'বু নীজরুই। মচা চান্মগী মপা ওইনা, খুৎকন-পাঙ্গন্না পাল্লিবা, 'সুবালা' - ৱাত্ত পাদবী মমোম'বু মীৎ উদ্রবা নুপা অমগী তালোয় ওইহন্নবা হায়বদা খোয়শাউনখি। অহানবদা য়াখিদে। অদুবু, অনীরকশুনা খন্থরগা, ভীস্ম'গুম্বা শক্তি লৈবা অমগা মূক্নরুবা অফবা ওইরোই খনবদগী য়ানীংদনা য়াবা তাখি। ভীস্ম হনখ্রব'তুং, লুহোং-নুমিৎ লেপ্পদ্রিঙৈ, তুংলমচৎ উবা মায়চৌশিংনা গান্ধারীগী মপোক-লোন য়েংলুরগা হায়রকখি...'মহাক্কী অহানবা মপুরোইবা তাইবঙ চীঞ্জাক কুইনা চারোই, লুখ্রা'শিঙদা চনগনি'...। মীতাঙলবা অমবু মহাক্কী পুন্সিগী লেঙদ্রবা খোঙলোয় ওইনবা মপাবুংনা ৱারেপখ্রে তাবদা গান্ধারীনসু ৱারেপখি ... 'পুন্সি খোঙলোয় ওইদুনসু ঐগী শক্তম উঙল্লরোইদবনি মহাক্না, ঐহাক্নদি করিগী য়েংনীংগদৌরিবা তাইবঙসিবু... ঐসু য়েংলোই মাগী শক্তম, ইমিৎ অসি পুনশিল্লগনি, মতম চূপ্পগী ওইনা'...।

কানবা য়াদ্রবা তাইবঙ মপুগী থৌশিলদুদই নাম্থোক্নবা, কোনুংগী অঙম-অথৌ, অখঙ অহে তানরগা 'গান্ধারী'বু হামেঙ-লাবা অমদা বর-মালা হুকহন্দুনা লুহোং থৌরম পাঙথোকখি। কোরৌ-নুমিৎ খরগী তুং, হামেংদু লাইমাঙদা বলি কত্তুনা, রাজ-কুমারী গান্ধারী লুখ্রা-শিঙদা চল্লকখি, মপোকলোনগী ৱাফমদু অচুম্বা ৱারোল ওইহনখি। অদুবু, ৱাফম অসি লৈবাক মীয়ামগী পাউ ওইহনখিদে। অরোনবা ওইনা থল্লকখি। ধৃটরাষ্ট্রদা লুহোংলত্তুনা হষ্টিনাপুরদা লাক্ল'ফাও কনানসু খঙলমদে।

অদুবু, মপুগী নোংদম অঙকপনি। সুবালাগী মথং খনবা, অঙম অথৌশিংতনা খঙবা পাউদুবু, কনানা করম' ধৃটরাষ্ট্র'দা তম্লুবা! থম্বালগুম্না শেংলবী নুপী অমনি খঞ্জরুবা তালোয়দু 'লুখ্রাবী' অমনি খঙলকপদুদা ধৃটরাষ্ট্র অমদি কুরু শাগৈগী অঙম অথৌ পূম্নমক শাউখি মৈ হৌনা। মতমদুগী চৎনবী নৌনা লুহোংলকপগী কন্যাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং, বর ওইরিবগী ইমুং মনুংগী অতিথি ওইনা লৈগদবনি, মখোয়গীদমক পীজ পীথক্কী থৌরাং তৌরি'মখৈ - হায়বদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা 'নিংথৌ সুবালা' অমদি মাগী মচা চান্মবু, মীথুংশঙ অমদা কৈশুমশঙ ওম্থোত্তুনা থল্লকখি। মীওই চান্মগা অম'না চাগদবা চীঞ্জাক ওইনা পীরক্লিবনা শুপ্পগী মীওই অমখক্না চাবদফাও পুক থল্লোইদবা চাং অমদা। কনাগুম্বা অমনা চঙবদা অথিংনরবা শঙ'দুদা মপা-মচা পূম্নমকপু চরা হেন্দুনা কংশি শিহন্নবা থৌরাংখি - সুবালা'না খঙলকখি। কোরৌ নুমিৎ খরগী তুং' সুবালা'না মচাশিংদা হায়রকখি ... 'ঐখোয় ইপা ইচা পূম্নমকপু তুম্না হাৎকে থৌরাংবা, ঐগী ইম্মাক ইবুংঙোগী থৌরাংসি মায় পাকহল্লোইদবনি... ইচাশা! নখোয় ময়ামগী মরক্তগী অমদি হিংদুনা লৈগদবনি, ঐখোয়বু অসুম্না হাৎপগী নোংম লমন খুল্লক্নবা... নখোয় পূম্নমক্কী ইরেমখাক, ইচা অতোনবা 'শকুনি' - মহাক হিংদুনা লৈহৌসনু, ঐখোয়গীদমক তম্লকপা, কনামত্তগী পুকসু থল্লরোইদবা চাক চখোম খরসি পীজরসি মঙোন্দা ... লৌশিং শিংবা ইচানি, শাগৈ অসি মূখৎনবা থৌরাং অমা, মখোয় খঙহন্দনা য়াৎপদা মহাক শোয়দনা মায় পাক্কনি'...।

অসিগুম্বা ফীভমদা হিংলকখিবা 'শকুনি' গুম্বা মীওই অমগী পূক্নিং-ৱাখল অনীমক্তা শঙলমগদবা 'ৱাখলগী মচু' অমুক্তং শাগৎতুনা য়েংমিন্নসি - নঙ-ঐগী ইফমদা থোক্লক্লবা, করি ওইবা হৌননি? ফনা মপুক তপ্পা শাউগন্দবা মীসু ওইসনু, খাঙবা ঙন্দগী পনখৈ ৱাংমা লাল্লকপা হৌনশানি। নহা ওইরিবা, পাঙ্গল ফরবা মচা ৯৯ মথং মথং শিখ্রবদা, নিংথৌ-সুবালা'না নোংমা, শেন্নহৌদ্রবা মীকুপ অমদা য়োৎচৈ অমা পায়দুনা হিংহৌরগদবা মচা 'শকুনি' গী ওইথংবা মখোঙ থুদেত্তুনা শোইনাইহল্লে। ঙকপনা থল্লবা মচাগী মীৎস্না য়েংলদুনা হায়রকখি ... 'ইপাগী ইবুংঙো, ঙক্নু, শোইনাইদনা পোল্লকপা ইচাবু ইপানা শোইনাইহল্লিবা, মরম অমা লৈবগীনি... ইপানা তাইবঙপান থাদোকখ্রগা নয়াম্বশিং অমসুং নপাগী লমন খুম্বগী ৱাখল, খোঙথাং খুদিং নীংশিংহন্নবা, ওইথংবা খোঙ শোইনাইহল্লিবনি ইপানা... ইপাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদগী শরদ্ধ মচেৎ খরা লৌথোক্লগা শেম্মু চৌবোর মরদ্ধ মঙাখক, নঙনা নীংবা/থোকহন্নীংবদুমক থোক্কনি... অদুগা, মরু ওইবা অমনা, কৈশুমশঙসিদগী থোক্লগা, হনখ্রগা গান্ধার'দা নচন্নুপীগী য়ূমসিদা লেঙদনা লৈয়ু- শাগৈসিনা লৈখা তারত্তুনা মরদ্ধ ফংনা মুৎত্রিফাও'...।

শকুনি'খক নত্তনা ইমুংদুগী নুপা ওইবা পূম্নমক শিখ্রবদুদদি মীনুংশিগী ইরিক অমা ফাওরক্নমাল্লে ধৃটরাষ্ট্রই থম্মোয়দা, মবাই'বুংঙোবু কৈশুমশঙদগী থাদোক্লে। হষ্টিনাপুর-কোনুংদা লৈগেরা? গান্ধার কোনুংদা হনগেরা? অমা খনবা তারক্লবদা, মপাবুংনা পামখিবদু নীংশিংলগা হষ্টিনাপুরদা লৈথনবা ৱারেপখি।

মখা তাবা ৱারীদি খঙনরবদুনি পূম্নমক্না। মহাদেব'ই থৌজাল ফংদুনা কন-থৌরবা মপারী চাম'ই মমা ওইগনি - মঙ মঙজখিবা কুরু শাগৈগী মৌ অহল গান্ধারী, মালেমগী মমা অতৈগুম থাবুম তরা নাউপুখিদে। থাবুম তরানিপান নাউপুরবসু মপারী/মমোম অমত্তসু ফংদ্রিঙৈ চৈরত্তুদা মীরোনবই পাউসু তাখিদবী মনাওনুপী 'কুন্তি' না মপারী অমা পোকখিবগী পাউ লাকখি কোনুংদা। মপা অমসুং মবুং কায়নবগী কায়রবা থম্মোয়, ৱানা তাইশিনবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈ, কায়খি অমুক হন্না। নাউপুরিবা নাৱাদু মখূৎমক্না হঞ্জিন হঞ্জিন থোমজদুনা থুগায়খি। মকূ-ইবুংঙো কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন (ব্যাস) না ঈহিং-নাইহিং শারবা নাৱাদু ইশায়ফু চামদা য়োত্তুনা কোরৌ চামই মতুংদা মপারী চামা, মমোম অমা খুদোনখি। ওমদুনা চাকপা ৱামৈদুদি ঈংথখরে হায়ববু, মবুং-শকুনিদা চাক্লিবা মৈচাত্তুগী মৈশাদি লাংলকখিদবরা গান্ধারী'দা? অরুবা ৱাহং অমনি। মপুরোইবগী খুদুং ইন্দুনা মমীত্তা মীৎখুম খুমখ্রবী 'গান্ধারী' - মতম চূপ্পগী ওইনা 'অরানব'বু মাঙওইনরগা 'অচুম্ব'বু তুংওইনখ্রবরা? নৎলমদ্রবদি, হৌজ থেংখাং কয়াদা মপুরোইবনা লৌখিবা অরানবা ৱারেপ, মপারী অহল দুর্যোধন'না তৌখিবা তৌহৈদবা থবকশিং, নিংথৌমক্কী দরবার'দা শান্নখিবা চৌবোর'দা মবুং শকুনিনা দুর্যোধনগী মীচঙ' লেপ্পলগা শাগৈগী মৌ দ্রৌপদি'গী মফমদা চৎখিবা শাজৎ... পূম্নমকসিদা, 'সতি'মক্কি শোন্নরবী গান্ধারী'না কৈদৌঙৈদা তূমিন লৈরম্লোই। ভীস্ম, দ্রোন, কৃপাচার্য, ধৃটরাষ্ট্র, দুর্যোধন পূম্নমক্না খঙবা ঙমদ্রবসু, গান্ধারী'নদি খঙফম থোকই... মবুং শকুনিনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং, থাংলক্লিবা খোঙথাং... মাগী মচা চামগী য়াইফনবা থৌশিল নত্তে, পান্দব মঙাগী মাঙনবা শিনবা থৌশিল মালহল্লগা কৌরবশিংগী মাঙননবু শিনবনি। অরোইবদা, গান্ধারীসু মবুং শকুনিগী মীচঙদা লেপ্পলগা কৌরবশিং লৈখা তানবা হোৎনখিবরা? ৱাহংসি হংলুবা ঐহাকপু ৱাখল চোইরবনি হায়রক্কদ্রা? ৱাহংদুগী পাউখুম ওইবা অতোপ্পা ৱাহং অমনি।

*–ইন্দ্রকুমার*

# পুন্সি অমসুং খুন্নাইগী চেন্থরক্লিবা ঈচেলবু য়েক্লিবা মংসাতাবম সেমসন মীতৈগী "খোঙচৎ" সোলো আর্ট এগজিবিসন, ২০২৩








TITLE - DELIEMA II, MEDIUM - COLLOGRAPHY, SIZE - 18 X 24.5 INCH





লমদম অমগী শকয়েং মিংশেল ওইরিবসি লমদম অদুগী কলা সংস্কৃতিদনি। চাওখৎপগী লমওন চৈ ওইরিবসু কলচরনি অমসুং কলা অসিননি। কলা সংস্কৃতিদা য়াওরি ঐখোয়গী নাৎ, চৎনবী, পুন্সি মহিং, লোল, ময়েক, ফিজেৎ চাকচা, খুন্নাইলোল। চীনবুংদা পথাং পুথাং লান্না লাকপা ৱারী শীংবুল কয়া লেপ্তুনা শমথদুনা লাক্লি ঐখোয়গী কলা সংস্কৃতিদা। ৱারীসু লীরি মণিপুর খুন্নাইনা কমদৌনা হিংদুনা লাক্লিবা হায়বগী। মসিগী ময়েক লারবা মমিসু তাদনা তোক্তে ঐখোয়গী ভিজ্যুএল আর্টতা। অৱা-নুংঙাইনা থল্লবা, কপ্পা নোকপনা মফেল ফেল্লিবা তাইবঙ মীওইবগী পুন্সিদা ভিজ্যুএল আর্টকী কলা অসিনা মপাউ অমদি তল্লি অদুগা তাইবঙ পুন্সিবু হেন্না ৱাহন্থোক লৈনবা মচাকশিং পীরি। অহিংবা খুন্নাইগী লেপ্তুনা চেন্থরক্লিবা ইচেলগী মশক অমসু উহল্লিবা অয়েকপা লাইশিংদা, স্কল্পচরদা অমদি তোঙানবা ভিজ্যুএল আর্টকী মেদিয়মশিংদা।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাই য়েকপা হায়বসিদা ঙাওজদুনা লাকখি সেমসনসু। অফাওবা আর্টিষ্টশিংগী লাই কয়া য়েংদুনা মতৌ তমদুনা য়েক্লকখি। পেন্টিং কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ারকখি। কুমজা ১৯৯৫তগী হৌরদুনা কলাগী, ফাইন আর্টসকী লমসিদা মায়পুনদুনা লেপ্পা লৈতনা অমদি থৌনা লৈনা মহাক্কী খোঙচৎ অমদি হৌদুনা লাকখি। খোঙচৎ অসিদা চোকথবা লৈতনা চঙশিল্লকক্লি ঙসিসু। কলাদা লুপচবা নহা অমা ওইনা ইম্ফাল আর্ট কোলেজদগী গ্রাফিক্সতা স্পেসেলাইজ তৌদুনা বি এফ এ লোইশিনখি। মসিগী মতুংদা ইন্দিরা কলা সঙ্গিৎ ভিস্বাভিদিয়ালায়া, খায়রাগার্হদগী গ্রাফিক্সতা এম এফ এ লোইশিনখি।

মহাক্কী অয়েকপা লাইশিং অমসুং স্কল্পচরশিং তোঙান তোঙানবা আর্ট এগজিবিসনশিংদা উৎখিবা লৈরে। ষ্টেট, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল থাক্কী আর্ট এগজিবিসনশিংদসু লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা লাক্লিবা আর্টিষ্ট অমনি। অসিতসু নত্তনা আর্ট এগজিবিসন কয়াদা মনা মথুমশিং ফংদুনা ইকায়খুম্নবা ফংখ্রবা নহা আর্টিষ্ট অমনি। মহাক্না ফংখ্রবা নীংশিংনীংঙাই ওইবা মনা মথুমশিংগী মরক্তা মণিপুর ষ্টেট আর্ট এক্সপোজিসন এৱার্দ, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ, ৮৩শুবা এন্যুএল ওল ইন্দিয়া আর্ট এগজিবিসন এৱার্দ, অহানবা এম কে প্রিয়োব্রতা সিংহ মেমোরিএল আর্ট এৱার্দ অসিনচিংবা এৱার্দ কয়ানা ইকায়খুম্নখ্রবা আর্টিষ্টনি সেমসন মীতৈ। মণিপুরদা ভিজ্যুএল আর্টকী লম্‌দা হৌরক্লিবা আর্টিষ্ট কয়াবু মখোঙ শোমদুনা হেন্না অৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনরিবা আর্টকী লূপ অমা ওইরিবা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী অচংবা থৌমী অমা ওইদুনা আর্ট এগজিবিসন কয়া শিন্নবা হোৎনবদা মহাক্কীসু চাওরবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা লূপ অসিগী ত্রেজরর অনীরকসু ওইদুনা হোৎনরকখি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইখ্রে। অদুগা আর্ট সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি ওইদুনা থবক থৌরম কয়াদা আর্টস সোসাইটিগীদমক হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিকসু সোসাইটি অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইদুনা থবক কয়া পায়খৎলি। মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিবু অৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনরিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমসু ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিদা সেমসনসু ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমসুং জেনরেল কাউন্সিলগী মেম্বরসু ওইরি। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা ভিজ্যুএল আর্টকী মহৈশঙ অমা ওইরিবা ইম্ফাল আর্ট কোলেজগী গ্রাফিক্স দিপার্টমেন্টতা রেগ্যুলর ফেকলটি ওইনা লৈদুনা মহৈরোয় কয়াবু চোকথবা লৈতনা লমজিং লমতাকপীরি। মসিগী মহয় ওইনা নহারোল কয়া ঙসিদি ভিজ্যুএল আর্টকী লম্‌সিদা মশক নাইরবা অমসুং মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপদা মখোয়সু থৌদাং লৌরক্লি। মসিমক পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইহনি।

ঈংনা চিক্না লৈজনীংবা মণিপুর খুন্নাইদা অমম্বা অহিংগুম্না মংলাক্নখিবা থৌদোক কয়া মিৎমাংদা থোকখ্রে। নীংশিংলুবদা অকি-তুজুংনীংঙাই ওইরবা থৌদোকশিংদু করম্নদি হেক কাউবা ঙমগনি। মুৎপদি নাইরোই তমথীরবা মীনুংশি য়াওদ্রবা ৱারীশিংদু। তমথীরবা আর্ম ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট ১৯৫৮কী মরুমদা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়াগী পুন্সি কয়া ইন্সর্জেন্সি লাকশিনবগী মীংদা খাংউথক্তা পিখম্নহনখিবা, মসিনা মরম ওইদুনা খুন্নাইদা ওইহল্লকখিবা অকি-তুজুংনীংঙাই ওইরবা থৌদোকশিং মমি তাদনা তোক্তে আর্টিষ্টশিংগী কেনভাসতা। মংসাতাবম সেমসনসু অসিগুম্বা খুন্নাইগী লুরবা তাংককশিংদা তূমিন্না লৈথোকপা ঙমখিদে। অদুনা মহাক্কী কেনভাসতা মমি তারকখি তমথীরবা ব্লেক লো অমগী মখাদা মণিপুর খুন্নাইদা হিংলিবা মীচম মীয়াম্না কয়া য়াম্না অৱাবা মায়োক্নরিবা, অহিংগুম্না অকিবা ফাওরিবা, মংলাক্নবগুম্না পোখাফম খঙদ্রিবা হায়বদু মহাক্কী 'আর্ম ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট ১৯৫৮' হায়রিবা পেন্টিং অসিদা। অসিগুম্বা পেন্টিং অসিদা তারিবা মণিপুর খুন্নাইগী অশেংবা শক্তম অমদি মচুশিংনা ইরিবা চেনবা য়াদ্রবা অকিবনা থল্লবা পুৱারী অসিগীদমক লেমজনীংঙাই ওইরবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ২০১৫সু খূৎশিন্নখি সেমসনদা। গ্রাফিক্সতা স্পেসিএলাইজ তৌরকখিবা আর্টিষ্ট অমা ওইবনা মহাক্কী অয়েকপা লাইশিংদা য়াম্না ইন্ত্রিকেট ওইবা খূৎয়েক অমা হেক হেক উবা ফংই লাই অয়াম্বদা। মহাক্কী 'বেড ড্রিম' অসিদসু অসিগুম্বা এবস্ত্রেক ওইবা থিমদা মং-হাদা উবা মশক অমা য়েক্লি। অদুগা 'লৈঙাক্লোন' হায়না মিংথোনবা লাই অসিদসু ফম্নাই থৌগল তৌরিবা অচৌ অশাং কয়াগী পুন্সিগা মীচম মীয়ামগী পুন্সিগা লৈরিবা গেপ, হং লাইগুম্না মখোয়না শান্ননীংবা মওংদা লৈঙাক্লিবা অদুগুম্বা সিষ্টম অদুগী ময়েক লারবা মশক অমা উবা ফংই। অচুম্বদি করিনো হায়বা খঙলবসু লেল্লে ঙানা লাইজ ঈরোলনুংদা ৱা ঙাঙগে তৌবদা ঈশিংনা পল্লি হায়বগুম্না মীচম্না মীয়াম্না অশেংবা অচুম্বা ৱা হায়বা ঙাঙবা ঙমদবগী মতৌ অদুসু ফোঙদোক্লিবা লাই অমনি 'লৈঙাকলোন'। অসিগুম্বা ৱাহন্থোক লৈরবা লাই অসিদা অহানবা মহারাজ কুমার প্রিয়ব্রতা মেমোরিএল এৱার্দসু ফংখি।

মণিপুরদা মরু ওইনা ভিজ্যুএল আর্টকী খোঙচৎ অমদি হৌদুনা তপ্পবসু তপ্পা লেপ্তুনা লাত্তুনা ঙসিদি মালেমগী হোংলক্লিবা য়াওলদা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংসু থৱায় য়াওনা চংশিন্নরক্লি। ইন্দিয়াগী মরু ওইবা আর্ট ইন্সটিট্যুটশিংদা তম্লদুনা অমসুং লেপ্তুনা তম্নরত্তুনা তোঙানবা মণিপুরগী আর্টকী মশক অমদি লেপ্পা ঙল্লক্লি। অসিগুম্বা ঈহৌ অসিদা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংবু হেন্না মশক তাকপদা মতেং ওইনবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপগী খোঙথাং অমা ওইনা ওজা শিজগুরুময়ুম ইমোবী শর্ম্মানা মহাক্কী 'আই আর্ট গেল্লরি' দা শক্লাইরবা আর্টিষ্টশিংগী সোলো আর্ট এগজিবিসন শিনবা হৌরক্লি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট মংসাতাবম সেমসন মীতৈগীসু পূন্না অয়েকপা লাই অমসুং স্কল্পচর য়াওনা আর্টৱার্ক ৭০ হেন্না হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৯-২৩, ২০২৩দা থাংমৈবন্দা লৈবা আই আর্ট গেল্লরিদা উৎখি। এগজিবসন অসিগী মিংথোলনি 'খোঙচৎ'। মিংথোল অসিমক ওম্থোক্না চান-চুননা থোনখি। লেপ্পাইদ্রবা পুন্সি খোঙচৎ অমসুং খুন্নাইগী চেন্থরক্লিবা ঈচেলবু মহাক্কী কেনভাসতা লাচল্লি চেকশিন্না। এগজিবিসন হৌদোক্লদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নরসু ওইরিবা এম জয়না মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংনা অসিগুম্বা আর্টকী ইনিসিএটিভ কয়া লৌখৎলক্লিবা পূক্নিং থৌগৎখি অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগীসু পাঙথোকপা য়াবশিং পাঙথোক্নবা হোৎনগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি অমসুং অসিগুম্বা সোলো এগজিবিসন অসি পাঙথোকপগী তঙাইফন্দবা লৈ হায়বীখি। মশক থোকপা লৈবাক মীয়ামগীদমক লাই য়েকপা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই হায়খি। হেন্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবদি হায়রিবা সমসনগী সোলো আর্ট এগজিবিসন অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শকখঙনরবা শক্লাইরবা ভিজ্যুএল আর্টিষ্টশিং মরু ওইনা ওজা থোইদিংজম তোন্বী, ওজা য়েন্দ্রেম্বম ইবোচাওবা, য়ূম্নাম নবচন্দ্র, কুলচন্দ্র এম থেম, আর কে বুধিমন্ত কর্টা অসিনচিংবা কয়ানা সমসন মীতৈগী সোলো এগজিবিসন য়েংবা লেংবীরত্তুনা পূক্নিং থৌগৎপীরম্বসিমক য়াম্না নুংঙাইবা মীকুপ অমনি নহা আর্টিষ্টশিংদা অমসুং লমদম অসিগী নহারোল আর্টিষ্ট কয়াসু এগজিবিসন অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা য়েংবা লাকখি। নুমিৎ মঙানিখক তৌরম্বা খোঙচৎ সোলো এগজিবিসন নুমিৎ ৫নি অমগা অমুক শাংদোত্তুনা মখা তানা আর্ট লভরশিং অমসুং মীয়ামদা য়েংনবগী খুদোংচাবসু পীখি। মসিমক য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইখি। মতুংদসু সেমসন মীতৈগী থাক ৱাংলবা ভিজ্যুএল আর্টকী পোথোক্না মণিপুরবু হেন্না মশক তাকপা ঙম্বা লাই কয়া য়েক্লকখিগনি হায়না অচেৎপা থাজবা থমজরি। - *তোংব্রম অমরজিৎ*

# পলহৌরবা কাউশিং (২)

খোঙচৎ অসিগী পান্দম ফংদনা টিপাইমুখ থাদোক্লকখি। জিরি মুখতগী চাক চারগা জিরি তুরেলদা জিরি য়ৌরকখি। নেসনল হায়ৱে ৩৭-ন্যু কছার রোদতা গাড়ী চৎপা য়াবগী পাউ ফংবদগী কুম্বীগ্রাম এয়রপোর্টতা চৎলগা, উধারবন্দ, মথংদা এন সী রোদতগী দিফু; দিফুদগী দিমাপুরগী আশাদা লাকখি। খুদোং থীরবা চীংগী লম্বীদা অহিং লেকখি, অইবদি ময়াম্না তূমখ্রবসু মিৎ উইশিনবা ঙমখিদে। ময়াম্বু শংখি, মথংদা আর কে নবকুমারসু য়াওরকখি। ৱারবা খোঙফমসিদা অইবগী তোপ তোপ্পা শকফম চোকথবা নাইদবদু ময়েক শেংনা উবা ফংই। মসি অইবগীদি অনৌবা নত্তে, নোঙাল্লগা গাড়ী থৌরকখি। পুং ১১দা দিমাপুরদা থুংখি। চাক চারগা তাং ২৫দা ইম্ফাল য়ৌরকখি।

টেজপুরদা চয়োল অমা হায়বা ৱারেং অসিগী খোঙচৎকী পাউদম - টেজপুর অসামগী সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্টকী খ্বাইদগী মমিং চৎপা সহরনি। মফম অসিদা অইবনা চৎনীংই হায়বদগী তোকঙা প্রেসতা পাউচে পুথোকপদা খঙনখিবা মোইরাং কোলেজদা বি এ লোইখিবা মহাক্কী মহৈরোয়, হৌজিক্না এস এস বি ওফিসতা পোষ্টিং তারিবা নিলচন্দ্র, অইবনা শম্না (নিল হায়না কৌজবা) অসিগা লমদমদুগী ঈশিং নুংশিৎ খঙনীংবদগী ৮-২-২০২০দা ইম্ফালগী আই এস বি টিদগী গুৱাহাটি চৎকদবা বসতা টেজপুর চৎপনি। মথংগী অয়ূক্কী পুং ৪ তারকপগী অদুৱাইদা নাউগোং বাই পাসতা কুমথরগা টেজপুরগীদমক অতোপ্পা বস অমদা অমুক চৎপনি। পুংখায় অমুক য়ৌরবা মতুংদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং মমিংনা (কালিয়া ভুমড়া থোং) হায়না খঙনবা থোং কিলোমিটর ৩গা মিটর ১৫ রোম শাংবসি লানবদা মিনট ১০ হেন্না চঙখি। অইবনা থোংসিগী মরী মখোঙ য়াম্না কূপ্না থিজিল্লত্তুনা ময়েক শেংনা অসুম্না থল্লি। ১৬শুবা শতাব্দিদা পাল্লম্বা অহোম নিংথৌশিংগী মতমদা জেনরেল ওইরম্বা "কালিয়া ভোমড়া ফুকন" কৌবা অমনা থোংসি শানবা থৌরাং তৌরম্বনি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুং চহী ৪০০ রোমগী মতুংদা কুমজা ১৯৮১দগী শাবা হৌরগা কুমজা ১৯৮৭তা থোংসি লোইখি। লোয়ননা মহাক্কী মমিং লৌরগা থোংসিগী মমিংসি থোনখিবনি। থোংসি লান্দুনা চৎলিবা লম্বীসি এন ঐচ নম্বর ৭১৫ (ন্যু) অদুগা এন ঐচ ৩৭ (এ) ওল্ড হায়না হান্না খঙনরম্বা লম্বীদুনি।

অইবসি পোথাদে, থিজিনবসি লেপ্তে, মথংদা টেজপুরগী মিংথোনগী মরম অমুক পুথোরকই। অসামী লোন্দা টেজ হায়বসি (ঈ) হায়বনি। মফমসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিং লাত্তুনা খুন্দারবনি। অদুনা তোঙান তোঙানবা (ঈগী) লম হায়বনি। মসি বিহারগী বৈশালি দিষ্ট্রিক্টতগী মফমসিদা খুন্দারবা চহী ৮০ শুরবা অহল অমনা তাকপীরকখি।

নোংমা খঙহৌদনা অইবনা টেজপুরগী এ জি ওফিসতা একাউন্ট ওফিসর ওইবা লাইরেঞ্জম ইবোয়াইমদগী টেলিফোন ফংখি। হৌজিক হৌজিকমক টেজপুরদা লৈ হায়রুবদা লায়েংবগীরা হায়রকখি। মসিগী মরম অতৈগী নত্তে, টেজপুরদা লাক্লবদি অঙাওবা লায়েংবগী ওইনা খন্নে। ইবোয়াইমনসু লায়েংবগীরা হংলকখিবসিনি। মফমসিদা লোক প্রিয়া গোপিনাথ বোরদোলোই মেন্টেল হোস্পিটাল এন্দ রিসর্স সেন্টর, টেজপুর, অসাম লৈ মদুননি। মখোয়না লৈরিবদুগী মনাক্তা 'পরুৱা চড়ালি' কৌবা ঐখোয় ইম্ফালগী অসাম রাইফলগী মনিং থংবা লমলোং মরি ফাংবা লম্বী অসিগুম্বা অমা লৈ। মসিগী মমিংসি অইবনা অমুক থিজিল্লি। পরুৱা হায়বসি অসামী লোন্দা ককচেং হায়বনি। মফমসিদা ককচেং মখল অমা লৈরম্মী মদুদগী থোনখিবনি। চড়ালি হায়বনা অসামী লোন্দা লমলোং মরি ফাংবা হায়বনি হায়বসি খঙখি। অদুনা মিংয়েং অমদি থিজিনবসি লম কোয়বা পাম্বা অইবা অমগী লিচৎনি হায়নীংই।

মথংদা বজার সেন্দ্রাং হায়বসি পায়খৎচরি- শাংলবা চহী ১২গী মতম অমা পাউনা বজারদা খোঙউপ য়োনবা দুকান্দা লৈরিঙৈ মতম ১-১-২০০৮/৩০-১০-২০২০গী ইম্ফাল সহরগী শক্তম মচু শংনা য়েকপনি। মণিপুরগী ইম্ফাল পীক্লবসু ইন্দিয়াগী ফুরুপ খুদিংমক তিল্লিবা চাওরবা সিটি অমগী মশকনি। পাউনা বজারগী জেন মন্দিরগী মখা থংবা মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বীসি 'দেবদাস গলি' নৎত্রগা 'পৱার গলি' হায়না খঙনৈ। মমিং অনীসিগী ৱাহন্থোকসি বেঙ্গোলগী মমিং লৈরবা অইবা সরতচন্দ্রগী ফাওরবা নোভেল দেবদাসকী চন্দ্রমুখিগী নিশাগী মফমদুনি দেবদাস গলি/পৱার গলি হায়বনা নিশা পাল্লবশিংগী অচোপ অরেম খঙদ্রবা শাজৎতুনি।

নুমিদাংৱাইরমদা ওটোরিক্সোদা য়ু বোরা পুশিল্লকপগী শক-তারিখ লোয়ননা ফোটো অমা য়াওই, অপাবশিংদা মসিনা ইম্ফালগী মশকসি তশেং তশেংনা মপু পান্দ্রবা অমগুম উৎলি। অইবগী মীৎয়েং অমদি কলম মচিন য়াম্না থৌই, মসি হুরানবদা ছো শিন্নবা হায়বদুগী লেঙদ্রবা খুদমনি। বজারদি অরেপ্পনি, তিল্লরিবশিং অসিদি মাগী মাগী অপাম্বা মতুংইন্না অনী খক্তনি। মসিনি অইবনা অপাবশিংগী মাংদা থল্লিবসি। মথৌনা মরিংজেল, ফিদমদা মালেমদা তোপ্পা শক্লাইরবী ফুরুপসিগী নুপীশিংবু 'পৱার গলি' অমদি 'নুংশি হোটেলদা' পুনবা নুপীশিংনা অমুবা কালি তৈশিনবা, য়ু থকপা মপাবু থিজরকপা মচানুপীবু য়ু ঙাওবা মপানা বজারগী মীয়াম মমাঙদা ফূবিবা, হুরানবা কাঙবুনা অচিক অকোম য়েংবা, হুরানবগী ১০নি মপুগী নোংমা হায়দুনা মরাইবক থীবা নুমিৎতা মীয়াম মমাঙদা চোপ্পা, চৈ চাবশিং, ইবদা ঙাওজবশিংনা পোখাবা লৈতনা কোইচৎ চৎতুনা ইনবা মচাক থিবা, লল্লোনবীশিংনা হিংনবগী লানফমদা মখোঙ লৈবাক তাদবগুম চৎপা, কাঙবু অমনা হিংনবগীদমক নোংজু নুংশা খাঙবা, শঙ্গ লৈবা শেঞ্জাও পায়বশিংনা ফোংনা শগুন তৌবা/মথৌ মশক খঙদ্রবা, ওইজবা থিবা কাঙবুনা খুরক হাংদ্রবা মফমনি।

নোংমা মণিপুরগী মশক নাইরবা অইবা জি সী তোংব্রানা বজারদা লাকপদা অইবদা অসুম্না হায়রম্মী, ইবুংঙো সরত ঐদি বজারগী দুকান মচি অমদা তূমিন্না ফম্লগা ময়ামসি য়েংনীংই। ৱাফম অসিগী মরম মাগী দ্রামাদা থেংনৈ, অইবা হিজম গুণনা মাগী নোভেল (বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদ) পুথোরকই। হুরানবদা ছো শিন্নবা লমনিনা ডা. কমলগী নোভেল মাধবীগী 'হুরানবনা হুরানববু ফারবদি কনানা বিচার তৌগনি হায়বদুনি' লমদমসিগী সহর ইম্ফাল।

মতমসিগী হোংলক্লিবা খোঙচৎতা ঐখোয় মণিপুরগী চেঙহি মমি শামখরে, অদুবু হীরম অমদদি মাগী মফম চাউনা কল্লি। ঐখোয়গী নাৎকী থৌরম য়ূম শঙ্গাবদা 'চেঙহি চফু' মফম চাওনা কল্লি। মালেমদা তোপ্পা তাবা মৈতৈ নুপীবু শক তাক্লিবা মচন শুনা ফুৎলবা চেঙহিগী নুংশিরবা মনম চেনবা, মুনা লংনা ফজরবা চপ তিংনা জুম জুম তারবা মুবদগী ফজরবা শমসি ঙসিদি চেঙহিগী মহুৎ সাপোননা শিনখরে। মচু শংলবা অঙাংবা, অশংবা, অঙৌবা, অবের মচু, জুম জুম তাবগী মহুত্তা তরৎ-তরৎ খোইবা, লুখমদা ককথৎপা, তূমলুবদগী হৌগৎলকপা মানবা কোকফাবি, মখল মখলনি বজারসিদা উরিবসি। মোইরাংগী অঙোম নোংবানগী মচননুপী তোরো হৌজিক্কা ওইরবদি শম তিংনবা, উরোক শুম্বল মনাগী মহিগা চুহিগা তৈরম্লোই।

মালেম্না কিনরবা লায়না কোভিদ লেপ্পা লৈতনা শন্দোরকখি মণিপুরদসু। য়ু কেদা চৎলুবদগী হল্লকখিবী লৈশাবী অমা মেদিকেল টেষ্ট তৌরুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বসি তাং ২৪-৩-২০২০, নিংথৌকাবা নুমিৎতা খঙনরকখি। বজার পুমচিক চিকখরে, মণিপুর লৈঙাক্না মহৈ তম্ফমশঙ পূম্নমক মার্চ ২৩, ২০২০দগী মার্চ ৩১, ২০২০ ফাওবা ছুটি থাদোকখি।

ত্রিপুরাগী খোঙচৎ-মঙাশুবা ৱারেং : মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরাগী বুক রিলিজ কম পোইত্রি মিট ২০২১গী থৌরমগীদমক মণিপুরদগী মীওই মরি এ সী নেত্রজিৎ, কে কৃষ্ণকুমার অমসুং অইবা লোয়ননা অইবগী মচানুপা অহল পুপুগী কারদা নেসনল হায়ৱে ৩৭তা চৎলি। কুমজা ১৯৬৪দা মেলরিয়া ইরাদিকেসনগী সুপরভাইজর ওইনা লমদম অদোমদা চৎখিবদু অইবনা নৌহৌনা নুংশিনা নীংশিংলকখি।

*- শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা*